**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17-02-2026)**

**সাপনে ২.০(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা নহা খুদিংমক্তা সরকারগী থবক পীবা হায়বসি ওইথোক্লোই। অদুবু, ওন্টরপ্রেনুয়্যরশিংগী খুত্থাংদা রাজ্য অসিগী নহাশিংদা থবক পীবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

মুখ্য মন্ত্রিনা ঙসি রাজ্য অসিগী নহা ওইরিবা ওন্টরপ্রেনুয়্যরশিং মরোমদোম লেপচবা ঙমহন্নবগী স্কিম-দিজি-সপনে ২.০ ইম্ফালগী চীংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেদা হৌদোক্লদুনা হায়-সরকার অসিনা নহা ওইরিবা ওন্টরপ্রেনুয়্যরশিংদা পাংবা য়াবা তেংবাংশিং পীনবা হোৎনরি। ভারত সরকারগী স্তার্টঅপ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈবাক অসিদা ওন্টরপ্রেনুয়্যরসিপকী খোঙজং য়াংনা চংশিল্লি। সপনে স্তার্টঅপ এসেলেরেসন প্রোগ্রামগী খুত্থাংদা মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিংদা গ্রাস রুট লেবেলদা লৈরিবা নহা ওইরিবা ওন্টরপ্রেনুয়্যরশিংদা মপুং ফাবা সপোর্ট পীরি। অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মনুংদা মনিপুরনা ওন্টরপ্রেনুয়্যরসিপকী লমদা খুমাং য়াংশিনবা ঙল্লিবা অসি স্তার্টঅপনা রাজ্য অসিদা মসিগী অচৌবা স্তার্টঅপ ইকো সিষ্টেম অমা শেমগৎপা ঙম্বদগীনি।

মনিপুর সরকারগী প্লান্নিং বিভাগনা শিনবা থৌরম অদুদা চিফ সেক্রেটরি ডা.পুনিট কুমার গোয়ল, মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেলর প্রোফেসর দল্লিয়ু চান্দবাবু, সিক্কিম মণিপাল য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেলর প্রোফেসর গোপালকৃষ্ণ প্রভু, নিতি আয়োগকী দাইরেক্তর প্রতিক দেশমুখ শরুক য়াখি।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** কংগ্রেস দলগী সিটি দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কমিতিগী এ.আই.সি.সি.

ওবজার্ভর-জি. রুদ্র রাজ্না হায়রি-দল অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা সংঘধন শ্রীজন অভিয়ানগী থবক থৌরমশিং রাজ্য অসিদসু পাঙথোকপা হৌরগনি।

সিটি দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা কংগ্রেস ভাবনদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী রাজ্না হায়-কংগ্রেস দলগী অহমেদবাদতা পাঙথোকখিবা এ.আই.সি.সিগী মীফমনা দল অসিনা ওর্গনাইজেসন অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কলহনবগী ৰাফমশিং খন্নখি।

ওর্গনাইজেসন অসিগী খ্বাইদগী হেন্না মরুওইবা য়ুনিট অসি রাজ্য খুদিংমক্তা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিট কমিতিশিং অসিনা ওইরি। দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কমিতিশিং অসি হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবগীদমক দল অসিগী মায়কৈদগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী ষ্টেকহোল্ডরশিংগা খন্ন-নৈনবা য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কমিতিশিং অদুগী প্রসিদেন্টশিংনা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎহন্নবা হোৎনরি। মসিগীদমক দল অসিনা গুজরাটতা পাইলোট প্রোজেক্ট ওইনা থবক পায়খৎপা হৌরে। সংঘধন শ্রীজান অভিয়ান হায়বসিনা মসিগী ৰাখল্লোন ওইরি।

**টুর (এল)ঃ** ভারত সরকারগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী মখাদা প্রেস ইনর্ফোমেসন ব্যুরো (পি.আই.বি) গুৱাহাতিনা শিনবা মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী পাউমী ১৩ গী নুমিৎ হুমনিগী গুৱাহাতি সিটিগী প্রেস টুর প্রোগ্রাম হৌখ্রে। মসিদা মনিপুর, অরুনাচল প্রদেস, মিজোরাম অমসুং নাগালেন্দগী পাউমীশিং শরুক য়ারি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা কামরুপ জিলাগী অমিনগাউদা লৈবা নেসনেল দাটা সেন্টর অমসুং মালিগাউগী নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়ার রেলৱেজতা চৎতুনা য়েংখি। মখোয়না মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগা উন্নদুনা ৱারী-ৱাতাইসু শান্নখি।

**হেল্প লাইন (এল)ঃ** সেক্সচুয়েল হরাজমেন্ট ওফ ৱিমেন এট ৱাকপ্লেস

(প্রিভেন্সন প্রোহিবিসন এন্দ রিদ্রেসেল) এক্ট-২০১৩ হায়বসিদা নোংমগী ওইবা সেন্সিটাইজেসনগী থৌরম অমা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী মিণি সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুর অমসুং মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন (এম.এস.সি.ডব্লিয়ু) না শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম.এস.সি. ডব্লিয়ুগী চেয়ারপার্সন-টি.ঐচ. তিনিংফম মোনশাং, মেম্বর সেক্রেটরি-ডব্লিয়ু. ফজাতোম্বীনচিংবা শরুক য়াখি।

**গাইদিন (এল)ঃ** নীংতম লান্মী-রানি গাইদিনলিয়ু লৈখিদবগী ৩৩ শুবা কুমওন থৌরমদা ঙসি রাজ্য অসিগী মীয়ামনা লুচিংবী অসিগী মফমদা ইকাই খুমবা উৎলি।

মহাক্কী কুমওন নুমিৎ অসিনা লাকপদা নুংবা কেন্দ্রগী এম.এল.এ দিংগাংলুং গাংমৈনা ইকাই খুমবা উৎলক্লি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা এম.এল.এনা হায়-বৃটিস সাসনগী মায়োক্তা অকি-অখং লৈতনা থৌনা ফনা লৈবাক অসিগী নিংতম্বা পুরক বা হোৎনবা অমদি মহাক্কী মীয়ামগীদমক কথোকখিবা হাইপৈ রানি গাইদিনলিয়ুনা লৈখিদবগী নুমিৎনা লাকপদা ইকাই খুমবা উৎলি। মহাকা হায়রম্বা ৱাহৈ, ‘ঐহাক তুমিন্না লৈরোই, ঐবু মাইথিবা পীবা ঙমহল্লোই, শিদ্রিবা ফাওবা নিংখা তম্বগীদমক লান্থেংনখিগনি’ হায়বা অসিনা মহাক্কী থৌনা অমদি কথোকপা অদু ময়েক শেংনা উৎলি। মহাক্কী অমত্তা ওইবগী মংলান অমদি ইরোমদোম লেপচবা হায়বা ৱাখল্লোন অদু হৌজিক্কী মীরোলনা ইকাই খুমফম থোকহ। মহাক্কী থৌনা লিংজেল অমদি অচুম্বগীদমক থাংলম্বা খোঙথাংশিং অদু হৌজিক্কী মীরোলনা শকা শোন্নহৌরসনু।

জেলিয়াংরোং ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন-দিল্লিনসু রাণি গাইদিনলিয়ুগী ৩৩ শুবা লৈখিদবগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখি।

**কাউন্সিল(এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি হ্জ্কেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস তুয়েল্বকী পরিক্ষা ঙসিদগী হৌখ্রে।

পরিক্ষা অসিদা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩১,৫৩০ শরুক য়ারি। মসিগী মনুংদা মহৈরোই লিশিং ৭,৬৯৭ না আর্টস, মহৈরোই লিশিং ২৩,১৪৬ না সাইন্স অমসুং মহৈরোই ৬৮৭ না কম্মর্স ষ্ট্রিমগীনি। পরিক্ষা অসি মথং থা মার্চকী তাং ২০ ফাওবা চথগনি।

সেন্ত্রেল বোর্ড ওফ সেকেন্দরি ইদ্যুকেসন(সি.বি.এস.ঈ) না লৌবা ক্লাস টেন অমসুং তুয়েল্বকী পরিক্ষাসু ঙসিদগী হৌরে। কুমসি চহীগী ওইনা মহৈরোই লাক্ষ ২৫ হেনবনা ক্লাস টেনগী পরিক্ষা থারি, মসিগী মনুংদা নুপী মহৈরোই লাক্ষ ১০ লিশিং ৯০ রোম অদুগা, নুপা মহৈরোই লাক্ষ ১৪ রোমি।

ক্লাস তুয়েল্বকী ওইনা মহৈরোই লাক্ষ ১৮ লিশিং ৫০ রোমা পরিক্ষা থারি, মসিগী মনুংদা নুপী মহৈরোই লাক্ষ ৮ লিশিং ৩০ রোমি, অদুগা, নুপা মহৈরোইনা লাক্ষ ১০ লিশিং ২০ রোমি।

ক্লাস টেনগী ওইনা সেন্তর লিশিং ৮,০৭৪ দা পরিক্ষা পাঙথোক্লি অদুগা, সেন্তর লিশিং ৭,৫৭৪ দনা ক্লাস তুয়েল্বকী পরিক্ষা পাঙথোক্লি। ক্লাস টেনগীনা মথং থাগী ১০ ফাওবা অদুগা, ক্লাস তুয়েল্বকীনা এপ্রিলগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

**এনসিসি(এল)ঃ** এন.সি.সি. দাইরেক্তোরেট নোর্থ ইষ্ট রিজনগী এদিসনেল দাইরেক্তর জেনরেল-মেজর জেনরেল অনুরাখ ভিজনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা এন.সি.সিগী ওফিসিএলশিং অমদি কেদেদশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী দি.এম. কলেজ কেম্পসতা লৈবা এন.সি.সি. গ্রুপ হেদক্বাটরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মেজর জেনরেল-অনুরাখ ভিজনা হায়-এন.সি.সি. ইম্ফাল গ্রুপ অসি অৱাং নোংপোক রিজনগী য়ামা ফবা গ্রুপ অমা ওইরি অমদি

এন.সি.সিগী ওইনসু অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লি। মনিপুরগী এন.সি.সি. কেদেদ কয়ানা অগাবির, আর্মি, ইয়ারফোর্স, নেভিনচিংবা মিলিটরিগী সার্ভিসশিংদা চংবা ঙম্লিবা অসি রাজ্য অসিগী ওইনা য়ামা চাউথোকচনিংঙাই ওইবা অচৌবা মায় পাকপা অমনি। মহাকা হায়-সুট্টিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা কম্পিটিসন কয়া অমদি রি-পাব্লিক ডে পেরেদকী কন্টিজেন্টশিংদা চাউনা শরুক য়াদুনা গ্রুপ অসিগী মিংচৎ পুরক্লি।

**জিপি(এল)ঃ** জি.পি. ৱিমেন্স কলেজ ইম্ফাল লিংখৎখিবগী ৬১ রকশুবা কুমওন থৌরম অমসুং একাডমীক সেসন ২০২৫ গী ওইনা কলেজ অসিগী সবজেক্ট টোপ্পরশিং য়াওনা মকোক থোংবা মহৈরোইশিং পুকিং থৌগৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কলেজ অসিগী সেন্ত্রেল হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দি.এম. য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার চান্দবাবুনা হায়-দি.এম.য়ু. অমদি জি.পি. ৱিমেন্স কলেজগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং য়াওনা অৱাৎ অপাশিং মেনশিনদুনা মহৈ-মশিং তম্বদা শেন্থং পীবিনবা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংদা তকশিনখ্রে। রাজ্য অসিদা শিক্ষাগী লমদা ঙম্লিঙৈ মতমদগী হৌদুনা নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিং তম্বদা কলেজ অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লিবা অসি চাউথোকচনিংঙাইনি।

**মনা(এল)ঃ** সাহিত্য থৌপাং লুপ (সাথৌ লুপ) না ইন্টরনেসনেল মাদর লেঙ্গোইজ ডেগা মরী লৈননা পীবা খুমবোংময়ুম গৌরহরি মধুমতি মাদর লেঙ্গোইজ এৱার্ড-২০২৬ গী ওইনা শকাইরবা লেঙ্গোইজ এক্তিভিষ্ট-এ. খোলিদা পীরগনি। মশাগী চহি ৮৩ শুরবা খোলিনা মমা লোল ওইরিবা মাও লোলবু চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা লৌবা থৌদাংবু শকখঙবা ওইনা মনা অসি মঙোন্দদা পীগদবনি। মহাকা ক্লাস সভেনদগী বি.এ. থাক ফাওবগী মাও লোলদা টেক্সবুক কয়া হদুনা মহৈরোইশিংদা তমহনবগী মথক্তা মাও লোলগী দেক্সনারিসু

ইবা লোয়দুনা ফোংনবা থৌরাং তৌরি।

মনা অসি থা অসিগী ২১, থাংজ নুমিৎতা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরীগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা খুৎশিন্নগনি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সাইটেসন অমদি সাল য়াওরি।

**মনিল (এল)ঃ** এন.এস.সি.এন (আই.এম) গী মখুৎতা ইং কুমজা ২০০৯ গী ফেব্রুৱারী থাদা লৈখিদ্রবা ডা: টি.ঐচ. কিষন, ৱাই. তোকেন অমসুং এ. রাজেনগী ১৭ শুবা লৈখিদবগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু মপারি নীংশিংকোল লুপ (মনিল) না শিনদুনা ইম্ফালগী উরিপোক চৈরাপ কোর্ট মচিনদা লৈবা নীংশিংকোল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবনি। থৌরমদুদা শরুক য়াখিবশিংনা লৈখিদ্রবা অহুমগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মুম্বাইগী লোক ভাবনদা ফ্রান্সকী রাস্ত্রপতি-এমান্যুয়েল মেক্রোনগা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে। লুচিংবা অনিনা ঙাকশেল, সুরক্সা, লল্লোন ইতিক অমদি সংস্কৃত্তিগী লমদা পীথোক পীশিন তৌনবা য়াওনা মরুওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা লৈবাক অনিনা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবগী মতাংদা খন্নখি।

রাস্ত্রপতি-মেক্রোননা ঐতিহাসিক ওইরবা টাজ মহল পেলেস হোটেলদা টোইন্তি সিক্স এলভেন মুম্বাই তেরর এট্টেক্তা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদসু ইকায় খুম বা উৎখি। লৈবাক অসিনা টেরোরিজম মায়োকনবগীদমক চংশিল্লিবা খোঙফম অসিবু মপুং ফানা শৌগৎলি হায়নসু মহাকা ফোংদোক্লি।

**এগ্রীঃ** কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ অমসুং লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাং মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা ঙসি জয়পুরদা লৌমীশিংগী দিজিটেল কম্পেনিয়ন ‘ভারত

ভিস্টার’ হৌদোকখ্রে। মসি লৌমীশিংবু মীৎশিং নাশিংহন্নবা, অহেনবা শক্তি ফংহন্নবা অমদি অতৈ ই-পাউ কয়া ফংহন্নবগী পান্দমদা হৌদোকপনি। প্লেটফোম অসিগী খুৎথাংদা লৌমীশিংনা মখোয়গী মোবাইল ফোনদা দরকার লৈবা ই-পাউ খুদিংমক খঙবা ঙম্লগনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-খোঙথাং অসি লৌউ শিংউগী লমদা দিজিটেল রিভোলুসন পুরকবগী ঐতিহাসিক ওইরবা খোঙথাং অমনি। মহাকা হায়-মসিনা লৌমীশিংদা মহৈ-মরোংশিংগী ওইবা সাইন্টিফিক এদভাইজরি সাভির্সেস, কৈথেলগী মমল অমদি নোংজ্ নুংশাগী ই-পাউশিং খঙহনগনি। মসিনা লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহনবতা নত্তনা শা-ষন লোয়বগী লমদসু অকুপ্পা মরোলশিং খঙহনগনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা রাজস্থানগী মুখ্য মন্ত্রি-ভজন লাল শর্ম্মনসু লৌমীশিংদা থৌওং অসি য়ারিবমখৈ শিজিন্নবীনবা আপিল তৌখি।

**রাস্ত্রপতিঃ** ইন্টরনেসনেল ফ্লিট রিভিয়ু (আই.এফ.আর) ২০২৬ য়েংনবগীদমক রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুগী নুমিৎ নিনিগী অন্ধ্র প্রদেস খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরে। মহাকা ঙসি নুমিদাং বিশ্বখাপতনমদা থুংগনি। মহাকপু অন্ধ্র প্রদেসকী রাজ্যপাল-এস. অব্দুল নাজির অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-এন. চন্দ্রবাবু নাইদুনা তরামা ওক্কনি। মহাক্কীদমক চাকলেন অমসু শিল্লি।

রাস্ত্রপতিনা হয়েং আর্মদ ফোর্সেসকী সুপ্রিম কম্মান্দর অমা ওইনা আই.এফ.আর-২০২৬ য়েংগনি। মহাকা ভারত অমসুং মরুপ-মপাং ওইবা মপান লৈবাকশিংগী জহাজশিং, সবমেরিনশিং অমসুং ইয়ারক্রাফটকী নীংথিজরবা থৌরম অমসু বিশ্বখাপতনম সমুদ্র খোঙবানদা য়েংগনি।

**হেল্পলাইনঃ** নেসনেল কঞ্জুমর হেল্প লাইন (এন.সি.ঐচ) না তোঙান তোঙানবা লম ৩১ দা লুপা কোতি ৫২ হেনবগী শেনফম হন্দোকহনবা ঙমখ্রে। হৌখিবা থা

৯ অসিদা কঞ্জুমর লিশিং ৭৯ না মখোয়গী শেনফম অমুক হন্দোকপীনবা দাবী তৌরকপগা মরী লৈননা এন.সি.ঐচনা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

কঞ্জুমর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মন্ত্রালয়না হায়-বিভাগ অসিগী ফ্লেগসিপ থৌরাং অসিনা কঞ্জুমর প্রোটেক্সন এক্ট-২০১৯ গী মখাদা অককবা মতমগী মনুংদা খুদোংচাদবা কয়া কোকহনবা ঙমখ্রে।

**মীখলঃ** মেঘালয়গী গাড়ো হিলস ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মীখল এপ্রিল তরাদা পাঙথোক্লগনি।

শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনা মীখলগী মতম অদু লেপখিবনি। কেবিনেট মন্ত্রি-ৰাইলাট নিকি সাইলানা হায়-মীখলগী নোটিফিকেসন মার্চ ৯ দা থোক্কনি অদুগা মার্চ ১৬ কী নুংথিল পুং অহুম ফাওবদা মীরেপ চে পীশিনবা য়াগনি। নুমিৎ অসিমক্তদা মীরেপ চেশিংগী স্ক্রুতিনিসু তৌগনি।

মীরেপশিংনা মখোয়গী মীরেপ চে মার্চ ১৭ ফাওবদা লৌথোকপা য়াগনি। মীখল থেংনবা য়ারবা মীরেপশিংগী অরোইবা লিষ্ট অমদি মীখলগী সিম্বোলনচিংবনা মার্চ ১৮ দা থোক্কনি।

মীখলগী ভোট এপ্রিল ১০ গী অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল মরি ফাওবা থাদনগনি অদুগা এপিল ১৪ দা ভোট মশিং থিগনি। রাজনিতি দলশিংনা মীখল অসিগীদমক ভোট খোন্বা হৌনখ্রে। সিট অয়াম্বদা নেসনেল পিপলস পার্টি (এন.পি.পি) না মখোয়গী থাগৎকদবা মীরেপশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

মরক অসিদা, রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দলনা রাজ্য অদুগী থবক চংবগী রিজারর্ভেসন পোলিসিগী মতাংদা এক্সপার্ট কমিতিনা পীখৎলকপা রিপোর্ট অদু অয়াবা পীখ্রে। রিপোর্ট অদু রাজ্য বিধান সভাদা হয়েং পুথোক্কনি।

**পোলো ঃ** মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শিনদুনা চথরিবা

মরিশুবা চিনামোহিনি ষ্টেট ৱিমেন্স পোলো কপ-২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা অসাম রাইফলস ৱিমেন পোলো টিমনা চিংখৈহুনবা পোলো ক্লব-কোংপালবু পাঞ্জল ৬-৪ দা থোইখ্রে।

অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা-ইম্ফাল রাইদিং ক্লব-লমফেলনা ইবুধৌ পাখংবা পোলো ক্লব-মালোমবু পাঞ্জল ৯-২ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোলঃ** সোসিএল স্পোর্টিং ক্লব-সেক্তাগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা তরেৎশুবা সেক্তা ত্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ই.য়ু.এস.সি. তেলৌনা য়ুমশারোল এফ.সি. পাঙ্গৈবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদনা-এন.এন.সি.কে.সি-নোংগ্রেননা এফ.সি. লমলাই টিম (বি) পাঞ্জল অমমম চন্দুনা দ্রো চৎখি। হয়েং পুখাউ এফ.সি. অমসুং লমলাই এফ.সি. টিম (এ) অনিনা লম্বা থেংনগনি।

**ফুটবোল ঃ** ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা -মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা ফুটবোল ক্লব-লমজাউবু পাঞ্জল ৪-২ দা, ইলিট এফ.এনা ত্রকপুবু পাঞ্জল ৫-১ দা অমসুং নেরোকা এফ.সিনা পথাপ এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** অনিশুবা য়াইরিপোক ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-বি.ৱাই.এফ.ৱাই টিম (বি) য়াইরিপোকনা ময়াং ইম্ফাল খুমন লৈবাকপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা-তেন্থা এফ.সি. অমসুং এস.আই.সি. সিংঙা পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

**ক্রিকেট ঃ** মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ১৩ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-

পি.সি.এম.দি.সি. থোংজ্না নপসা-খা ইম্ফালবু রন-৩৪ দা থোইখ্রে।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দা মেটচনা টি.সি.এম.দি.সি. থোংজ্গী কৃষ্ণনা তাখি। হয়েং ৱাই.টি.ঐচ.য়ু (ডব্লিয়ু) না এম.সি.এগা অমসুং ৱাই.পি.ঐচ.য়ু (এন) না সাইক্লোনগা লম্বা থেংনগনি।

**ক্রিকেট ঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা এন্দ ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট ট্রোফিগী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-ই.এস.য়ু. ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দনা ত্রাউ ক্বাকৈথেলবু ৱিকেট ৮ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-আর.সি.এ. লিলোংনা চেম্প ক্রিকেট ক্লব-খাগেমপলিবু রন-১১৪ দা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** তেন্থা হৈবুং ত্রাংক্যুলিতি ক্লব-তেন্থানা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা অহুমশুবা টি.ক্যু.সি. ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-এম.কে.এস. চিংমৈরোংনা রোয়েল চেল্লেঞ্জর-মোইজিংবু ৱিকেট তরুক্তা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-থন্দর স্ট্রোম খাঙবোকনা এ.এল.এফ.এ. (টু) খাঙবোকপু ৱিকেট ৭ তা থোইখি।